# নখোয়না থারিবা চুগী শেন্দোং পূন্নমক নখোয়দা পীগনি হায়না য়ু পি গী চু ফার্মরশিংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খ্রে



***সাহজহানপুর, জুলাই ২১ ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশকী সাহজহানপুরদা ঙসি কিষান কল্যান রেল্লিদা ৱা ঙাংখ্রে। রোজা এরিয়াদা পাঙথোকখিবা মীফম অদু উত্তর প্রদেশতা চয়োল অহুমগী মনুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীয়ামগী মীফমদা ৱা ঙাংবা মঙাশুবনি। মসিনা ২০১৯ জেনরেল ইলেক্সনগী মাঙওইননা বি জে পি গী ৱাখলদা লোক সভা সিট ৮০ লৈরিবা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবদু তাকই।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱা ঙাংবা তানবা লাকখিবা ফার্মর অয়াম্বা চু থাবশিংনি। ফার্মরশিং অদুনা মখোয়গী পোখোক্কীদমক মমল হেনগৎহন্নবা দিমান্দ তৌখি। মদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খ্বাইদগী ফবা ফেসিলিটিশিং পীগনি হায়না মখোয়দা থাজবা পীখি।

সাহজহানপুর মীফম অদুদা নরেন্দ্র মোদিনা ৱা ঙাংবদা হায়খি, সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পি না ফার্মর পূম্নমক্কী ইকায়খুম্নবা শোয়দনা ফংহনগনি। মখোয়না থারিবা চুগী পোখোক পূম্নমক নখোয়না ফংগনি হায়খি।

শেরান-তুরানবা অমসুং মীনম্বগী ৱাথোক লৈতনবা চুগীদমক খ্বাইদগী নেম্বা মমল অমা লেপ্তুনা থম্লে। মমাঙগী গভর্ণমেন্টনা থল্লম্বা অপনবা অমসুং খুদোংচাদবশিং থুগাইনবা ঐখোয়না ৱারেপ লৌরে। ঐখোয়না ফার্মরশিংগী বেঙ্ক একাউন্টতা চুমদ্রিং পৈশা থমজিন্নবা ৱারেপ লৌরে। হান্নদি মসি সুগর মিলশিংদা পীরম্বনি।

ঙসি ফার্মরশিংনা য়ুরিয়াগী মতাংদা অৱাবা লৈত্রে। মখোয়না লিচৈশিংগী চৈনা ফংলরোই। মখোয়না য়ুরিয়া লৈনবা কৈথেলদা চৎলরোই। হান্নদি আইনগী ৱাংমদা ফেক্টরিশিংদা য়ুরিয়া থৈদোক্লম্বনি। হৌজিক মসি থিংখ্রে।

সাহজহানপুরদা অচৌবা ফর্টিলাইজর ফেক্টরি অমা লৈ। মফম অসিদগী লৈবাক্কী মফম পূম্নমক্তা য়ুরিয়া থাদোক্লিবনি। চহী ৪ গী মনুংসিদা কয়া য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লবগে য়েংউ। ঐখোয়না লৈঙাক পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা ইথানোল লিটর ক্রোর ৪০ খক্তমক পুথোক্লম্মী। ঐখোয় গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ মতুংদা ইথানোল লিটর ক্রোর ১৬০ রিফাইন তৌরে হায়খি।

ফার্মরশিংনা করিগুম্বা ঈশিং ফংলবদি মখোয়না লৈবাক্তুগী সনা শেম্নবগী শক্তি লৈ। ঐখোয়না খুঙ্গংশিংদা ইলেক্ট্রিসিটি ফংহনবা মতমদা ঐখোয়গী মায়োক্তা পার্টি খরনা মিটিংসিদা পাঙথোকপা অমসুং ৱা ঙাংবা উরিবসি য়াম্না অঙকপা অমনি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

মীয়াম্না ঐবু থাজে অদুবু পোলিটিকেল পার্টি খরনদি ঐখোয়বু মখোয়না থাজদে হায়রি। ঙরাং পার্লিয়ামেন্টতা মখোয় নো-কনফিদেন্স মোসন অসিগী মরম ঐঙোন্দা হায়বীয়ু হায়খি। অদুবু মখোয়না পেন্নিংঙাই ওইবা মরীক চুম্বা ৱারোল অমত্তা পীবা ঙমখিদে। মীয়ামগী মোদেটে অদু মখোয়না ইকায়খুম্নদবা য়ারোই হায়বসি ঐনা মখোয়দা শন্দোক্লা তাকখি হায়না নরেন্দ্র মোদিনা য়ু পি গী য়াম্লবা ফার্মরশিং অদুদা ফোঙদোকখি।

# ১৯৬৮ত প্লেন ক্রাসতা শিখিবা মীগী ফমজিল্লবা হকচাং ফংখ্রে

***সিম্লা, জুলাই ২১ ঃ*** ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী প্লেন অমা ১৯৬৮ তা ক্রাস তৌখিবা অদুগী চহী ৫০ গী মতুংদা ক্রাস অদুদা শিখিবা মীওই অমা হিমাচল প্রদেশকী ধাকা গ্লেসিয়র বেজ কেম্পতা উন মরক্তা ফমজিল্লবা হকচাং ওইনা ফংখ্রে। হকচাং অদু চীংকারোই খোঙবু অমনা জুলাই ১ দা থেংনরকখিবনি।

কুমজা ১৯৬৮ গী ফেব্রুৱারী ৭ তা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী এ এন-১২ প্লেন অমনা পার্সোন্নেল ১০৮ তোংলগা চান্দিগরদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লেহ তম্না পাইখিবনি। অদুবু নোং-চিংগী ফিভম ফৎতবনা মরম ওইদুনা লেহ য়ৌরমদাইদা অমুক হন্নবা পাইলোট অদুনা ৱারেপ লৌখি। মদুগী মতুংদা ইখঙ খঙহৌদনা প্লেন অদু থিবা খঙদনা মাঙখি। গ্রাউন্দ ওফ কন্ত্রোলদা ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনবা ঙমখিদে।

পার্সোনেল ১০২ তোংখিবা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী প্লেন অদু কোন্নথংদা হিমাচল প্রদেশকী লাহুৱাল তম্পাক্তা প্লেন অদু ক্রাস তৌখি। কুমজা ২০০৩ দা চীংকারোই খোঙবু অমনা এক্সপিদিসন অমা চৎপদা ধাকা গ্লেসিয়রদা প্লেন অদুগী লেমহৌবা মচেৎ-মকাইশিং থেংনখি।

জুলাই ১ দা চন্দ্রভাগা-১৩ কৌবা চীংদোন্দা ক্লিনলিনেস দ্রাইভ অমা চথখিবা চীংগারোই কাঙবু অদুনা হকচাং অদু থেংনখি। খোঙবু অদুনা প্লেন অদুগী অতৈ পার্ট খরসু ফংখি। চীংদোন অদু শেংদোকপগী থৌরম অদু ইন্দিয়ান মাউন্টেনীয়ারিং ফাউন্দেসন্না শীনখিবনি।

# অঙাং রেপ তৌবগীদমক অনৌবা রাজস্থান লোগী মখাদা চহী ১৯ শুরবা মীওই শিবগী চৈরাক পীখ্রে

***লক্ষ্মনগর, জুলাই ২১ ঃ*** চহী অসিদা রাজস্থানদা শুপ্নগী থা ৭ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা রেপ তৌবগীদমক মশাগী চহী ১৯ শুরবা মীওই অমা ফাঁশি তৌদুনা হাৎনবা য়াথং পীখ্রে।

চহী ১২ অমসুং মখাগী অঙাংশিংবু রেপ তৌবদা শিবগী চৈরাক পীবা য়াহনবা সেক্সচুয়েল এব্যুজগী অকনবা লো অদু ষ্টেট এসেমব্লিনা মার্চ থাদা পাস তৌখ্রবগী তুংদা রাজস্থানদা কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীনবগী রাই তাখিবসি মসিনা অহানবনি।

হৌখিবা চহী দিসেম্বর থাদা অসিগুম্বা অকনবা আইন অমা মধ্য প্রদেশনা পাস তৌখিবগী মতুংদা অচৌবা আইন পাস তৌবদা রাজস্থান্না লৈবাক অসিগী মনুংদা অনীশুবা ষ্টেটনি।

মরী-মতা অমনা অঙাং অদু পম্বীদুনা লৈরিঙৈদা মরাল লৈবা মীওই অদুনা মে ৯ দা মহাকপু পুরগা চৎখি। অঙাং অদুগী মমা-মপাশিংনা য়ূমদা হল্লক্লবা মতুংদা অঙাং অদু থিরকখি। মদুদা মরী-মতা অদুনা মখোয়গা য়ূমথংনবা মীওই অমনা মহাক পুরগা চৎখ্রে হায়খি। অঙাং নুপীমচা অদু লক্ষ্মনগরদা লৈবা মখোয়গী ময়ূমদগী কিলোমিটর ১ রোম লাপ্পদা লৈবা ফুটবোল শান্নফম অমদা কপ্পগা লৈরম্বা থেংনখি। মদুগী মতুংদা অঙাং অদু অলৱার হোস্পিটালদা পুখৎতুনা নুমিৎ ২০ রোম লায়কন্নখি।

তমথিরবা লীচৎ-শাজৎ অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদু কোর্টনা ফাখ্রে অমসুং মেদিকেল এক্সামিনেসন তৌবদা রেপ তৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

রাজস্থান্দা মসিনা অসিগুম্বা কেসকী অহানবনি অদুগা লৈবাক অসিগী ওইনা অহুমশুবনি। অহানবা কেস অনী অদুদা মরাল লৈবা মীওইশিং অদু শিবগী চৈরাক পীখি হায়না পব্লিক প্রোজিক্যুটর কুলদীপ জেননা হায়খি।

কোর্ট অসি ফাষ্ট-ট্রেকতা ৱায়েলখি অমসুং কেস অসিগী ৱায়েল চথবা অদু হিয়ারিং ১৩ গী মতুংদা মপূং ফানা লোইশিনখি হায়না মহাক্লা হায়খি।

কেস অসিদা স্পিসিয়েল জজ জগেন্দ্র অগর্ৱালনা রেপ কেস অসিদা খ্বাইদগী অকনবা চৈরাক পীরক্কনি হায়না প্রোজিক্যুসন্না আশা তৌখি।

# ‘কংগ্রেসনা সিটিজনশিংদগী নো-ট্রষ্ট মায়োক্লরি’

***মুম্বাই, জুলাই ২১ ঃ*** লোক সভাদা শাথিনা মায়থিবা পীখ্রবা নো-কনফিদেন্স মোসন অমগী ভোট লৌনরকপগী মাঙওইননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পীখিবা ৱারোলদা ওপোজিসনগী মিসইনফোর্মেসন কেম্পেন অদু মহাক্লা মচেৎ তানা থুগাইদুনা মাঙহনখ্রে হায়না মহারাষ্ট্র চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসনা ঙসি হায়খ্রে।

ঙরাং নুমিদাং টেলেগু দেসাম পার্টি (টি দি পি) না থাঙ্গৎলকখিবা নো-কনফিদেন্স মোসন অদুদা টি দি পি গী মায়কৈদা ভোট পীখিবা মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টি কংগ্রেসনা হৌজিক মীয়ামগী থাজবা অদু মাঙখ্রে হায়না মহাক্লা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক্লা থাজবা থল্লিবা অচুম্বা ৱাফমশিং হায়খি। মসি অচৌবা মেজুরিটি অমনা মায়থিবা পীখ্রবা নো-কনফিদেন্স মোসন অমনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা পাউগী এজেন্সিদা হায়খি।

লৈরিবা অচুম্বদি মসিনি-পার্লিয়ামেন্টকী মপানদসু ট্রষ্ট ভোট অদু মোদি গভর্ণমেন্টকী মীচঙদা লৈ। কংগ্রেসনা হৌজিক সিটিজনশিংগী মরক্তুগী নো-ট্রষ্ট মায়োক্লরে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

বি জে পি গী চীফ মিনিষ্টরগী ৱারোল অসি নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ওপোজিসন্না থাঙ্গৎখিবা নো-কনফিদেন্স মোসন অদু লোক সভাদা অকনবা দিবেট অমগী তুংদা শাথিনা মায়থিবা পীখ্রবগী নোংমগী মতূংদা ফোঙদোক্লককখিবনি।

নো-কনফিদেন্স মোসন অদু পার্লিয়ামেন্টতা খন্নরকপদা শরুক য়াখিবদা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ৱা ঙাংবা লোইরবা তুংদা মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ফম্বম তম্না লাক্লগা মহাকপু কোনশিল্লকখিবগী মতাংদা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রাহুল গান্ধীগী মওং অদুগী মতাংদা কোন্না ফোঙদোকখিবদা মহাকপু ফম্বমদগী চিংথনবা অমসুং মাগী চৌক্রি মুন্নবা হাথু-হাথুমল্লে হায়খি।

হান্নগী বি জে পি গী খোঙলোই অমা ওইরম্বা টি দি পি না মুভ তৌরকখিবা নো-ট্রষ্ট মোসন অদু পুন্না লোমেকর ৩২৫ না ওপ্পোজ তৌখি অদুগা লোমেকর ১২৬ না শৌগৎখি। মদু পূং ১২ চূপ্না চথখিবা দিবেট অমগী মতূংদা নাকল অনী নাকপাক তান্নরকখিবদগীনি।

বি জে পি গী লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা মায় পাক্কনি হায়বসি হান্না আশা তৌদবা নত্তে। অদুবু অকনবা দিবেট চত্থরকখিবা অদুনা রাইবেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং অদুদা ২০১৯ লোক সভা মীখলগীদমক ঐখোয়গী এজেন্দা পুথোক্লবগী তাঞ্জা অমা পীখি।

কুমজা ২০১৪ গী মেদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ওফিস পায়রকখ্রবগী মতূং অমসুং মথংগী জেনরেল ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা চহী অমা ফাবাৎত্রবা মতমদা নো-ট্রষ্ট মোসন অসিনা অহানবনি।

# গেং-রেপ তৌবীখ্রবী নুপীমচা ১ মশা মতোমতা শিজখ্রে

***শাগর, জুলাই ২১ ঃ*** মধ্য প্রদেশকী শাগরদা মীওই অহুম্না গেং-রেপ তৌবীখি হায়বা মশাগী চহী ১৬ শুরবী নুপীমচা অমা ঙরাং ইরাই নুমিত্তা মশা মতোমতা সুইসাইদ তৌদুনা শিজখ্রে।

পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে অমসুং চেন্নরিবা মীওই অহুম্মক লোইনা ফাগৎখ্রে। ষ্টেট অসিদা রেপকী মশীং হেনগৎলকখিবদা চীফ মিনিষ্টর শিবরাজ সিংহ চৌহাননা চীফ জষ্টিস ওফ ইন্দিয়াদা রেপ কেসশিং হিয়ারিং থুনা চথনবগীদমক ফাষ্ট-ট্রেক হায় কোর্টশিং লীংখৎনবা হায়জখ্রবনি।

হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদসু মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিনা চহী ১২ অমসুং ১২ মখাগী নুপীমচাশিং রেপ তৌবগী মরাল ফংলবশিংবু শিবগী চৈরাক পীনবা বিল অমা মোত অমত্তা ওইনা পাস তৌখিবনি।

# পার্লিয়ামেন্টতা বি জে পি গী সিট ১০০ য়ৌনা ফংলোই হায়না মমতা বেনর্জীনা ২০১৯ ইলেক্সনগী লাইবাও পীখ্রে

***কোলকতা, জুলাই ২১ ঃ*** বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা সেন্টরদা বি জে পি বু পৱার পায়বদগী তান্থোক্লবা ঙসি ৱাশক্লে অমসুং ২০১৯ জেনরেল ইলেক্সনশিংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী পার্টিনা অচৌবা চৈফু অমা ফংগনি লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টতা সিট ১০০ য়ৌদনা ফংলগা মায়থিহৌরগনি হায়না লাইবাও পীখি।

মথংগী জেনরেল ইলেক্সনশিংদা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ট্রিনামুল কংগ্রেস (টি এম সি) না লোক সভা সিট ৪২ মক লোয়না মায় পাক্কনি হায়বা ৱাফম থল্লদুনা কোলকতাগী ময়াই চবুক্তা পাঙথোকপা অচৌবা মীয়ামগী মীফম অমদা মমতা বেনর্জীনা লৈবাক অসিবু কন্নবা মহাক্কী পার্টিনা বি জে পি বু তান্থোক্কনি হায়খি।

মথংগী লোক সভা মীখলশিংদা বি জে পি মপাঙ্গল শাথিনা হন্থরগনি। ঐখোয়না ষ্টেট অসিদা লোক সভা সিট ৪২ মক লোয়না ফংগনি। মসি ঐখোয়গী ৱাশক্লি। ঐখোয়না লৈবাক অসিবু কন্নবা বি জে পি বু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট



পায়রিবসিদগী তান্থোকখিগনি হায়খি।

ঐখোয়না মফম অসিদা মথংগী জনুৱারী থাদা অচৌবা রেল্লি অমা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি অমসুং ওপোজিসন লীদর পূম্নমক বার্তন তৌগনি হায়না য়ুঠ কংগ্রেস ৱার্কর ১৩ শিখিবা ভিক্টোরিয়া হাউসকী মপানদা কুমজা ১৯৯৩ দা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুবু নীংশিংনবা মফম অসিদা পাঙথোকপা চহীগী মার্টরস’ দে দা ৱা ঙাংবদা চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা হায়খি।

ঙরাং পার্লিয়ামেন্টতা নো-ট্রষ্ট মোসনদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মায় পাকপা অদুবু লৈবাক অসিদা বি জে পি গী মীয়াম্না য়াবা হেনগৎলকপগী মমি অমনি হায়না বি জে পি না হোৎনরি অদুবু মমতা বেনর্জীনা অরানবনি হায়না উৎখি।

নো-ট্রষ্ট মোসন অদু লোমেকর ৪৫১ গী মনুংদগী ৩২৫ না য়াখিদে। মশীং অসি এন দি এ গী মপাঙ্গলদগী হেল্লবা টু-থার্দ মেজোরিটি অমনি হায়খি।

মশীং অদু পার্লিয়ামেন্টকী হাউস মনুংদনি। মপান্দদি দেমোক্রেসি অমদা মখোয়না মায় পাক্লোই হায়না মহাক্লা হায়খি।

বি জে পি বু শৌগৎখিবা এ আই এ দি এম কে না অরানবা মায়কৈদা খনবগীদমক মদুগী মমল ফংগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

ট্রিনামুল কংগ্রেসনা আগষ্ট ১৫ দা বি জে পি লৌথোকউ, লৈবাক কল্লু হায়বা খোঙজং অমা চত্থগনি অমসুং জনুৱারী ১৯ দা লৈবাক অসিগী মফম পূম্নমক্তগী ইন্দিয়াগী লুচিংবা পূম্নমক শরুক য়াগদবা অচৌবা মীফম অমা ষ্টেট অসিদা শীনগনি। বেঙ্গলনা থৌরাং তৌরে হায়বদু মখোয়না উগনি হায়খি।

হৌজিক হৌজিক ট্রিনামুল কংগ্রেসকী ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লোক সভাদা এম পি ৩৪ লৈরি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মিদনাপুরদা পাঙথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীফমগীদমক শাখিবা অচৌবা টেন্ত অমা নীংখাইরকখিবা অদুগীদমক শেফ্রোন পার্টি অসিদা চৈরদুনা মখোয়না পন্দাল অমা শাবা ঙমদে অদু ওইরবদি মতৌ করম্না মখোয়না লৈবাক অসি শাগৎকদৌরিবনো হংখি।

# য়ু এস তা কোল সেন্টর স্কামদা ইন্দিয়ান-ওরিজিন ২১ অকনবা চৈরাকশিং পীখ্রে



***ন্যু য়োর্ক, জুলাই ২১ ঃ*** য়ু এস সিটিজন লীশিং কয়াবু মীনমদুনা দোল্লর মিল্লিয়ন চা কয়া মাঙহনখিবা মল্টিমিলিয়ন-দোল্লর ইন্দিয়া-বেজ কোল সেন্টর স্কাম অমদা চেন্নবা ইন্দিয়ান-ওরিজিন মীওই ২০ হেনবগী মথক্তা য়ু এস তা জেলদা চহী ২০ ফাওবা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

চয়োল অসিদা কনভিক্সন পীখিবা মীওই ২১ অদুগী জেলগী চৈরাকশিং অদু চহী ৪ দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈ।

কেস অসিদা অকনবা চৈরাকশিং পীখিবসি হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অহানবা ওইনা থোক্লিবা অচৌবা, মল্টি-জুরিদিক্সন ওইবা স্কাম অসিগী মরমননি হায়না য়ু এস এট্টোর্নি জেনরেল জেফ সেসন্সনা হায়খি।

কনভিক্সন পীরবা মীওই কয়াদি মখোয়গী জেলগী চৈরাক লোইরবা তুংদা ইন্দিয়াদা থাখিগনি। য়ু এস মীয়ামগী মনুংদগী খ্বাইদগী শোক্লিংঙাই ওইবা মীওইশিংবু অপংবা শীদুনা অৱাবা তাহনবা থিংননবা ঐখোয়না মখা তানা হোৎনরকপদা কেস অসিনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মশক থোকপা মায় পাকপশিংগী মনুংদা অমা ওইরে হায়না জেফ সেসন্সনা হায়খি।

আমেরিকান অহলশিংদগী মীনমদুনা শেন লৌথোক্লবা লিগেল ইমিগ্রেন্টশিং অমসুং অতৈ মীওই কয়াবু মখোয়গী তুংশিঞ্জবা শেনফমশিং মীনমদুনা লৌথোক্লবা হোৎনবা, কিহনবা অমসুং তৌশিন্নবা তাৎকী ফাইনান্সিয়েল স্কিমশিংগী লৌতুনখিবা ফ্রাউদষ্টরশিং অমসুং মনি লোন্দরিংশিংগী ট্রান্সনেস্নেল ক্রিমিনেল রিং অদুনা শোয়দনমক খঙগদবনি মদুদি দিপার্টমেন্ট অসিগী তৌবা ঙম্বা মনুংদা লৈবা মচাক পূম্নমক অসিগুম্বা টেলিফ্রাউদ স্কিমশিং থিংজিন্নবা শীজিন্নগনি, চেন্নরিবা মীওইশিং অদু জেলদা থমজিনগনি অমসুং ভিক্টিমশিং অদুদা অচুম্বা পীগনি হায়না সেসন্সনা হায়খি।

দাটা ব্রোকরশিং অমসুং অতৈ লীখুনশিংদগী ফংবা ঈ-পাউ শীজিন্নদুনা কোল সেন্টর ওপরেটরশিংনা য়ু এস ভিক্টিমশিংদা গভর্ণমেন্টতা মখোয়না পীগনি ৱাশকপা শেনফম পীদ্রবদি ফাগনি, জেলদা থমগনি, ফাইন নৎত্রগা দিপোর্টেসন মায়োক্লগনি কিহল্লি।

স্কাম্মরশিং অদুদা শেনফম অদু পীগে য়ারবা ভিক্টিমশিং অদুদা শেনফম অদু মতৌ করম্না পীগদগে হায়বা তাকপীখি। মদুগী মনুংদা ষ্টোর ভেল্যু কার্দশিং লৈবা নৎত্রগা শেনফম অদু ৱায়ারিং তৌরকপনচিংবা য়াওরি।

শেনফম অদু হেক পীরকপগা কোল সেন্টরশিং অদুনা ফন্দশিং অদু রিলোদেবল কার্দশিং লৈশিনবা নৎত্রগা ৱায়ার ট্রান্সফর তৌদুনা হেক ঙল্লিবমখৈ থুনা শেন লৌথোক্লবা য়ু এস তা লৈবা রন্নরশিংগী নেটৱার্ক অমদা শীন্নখি হায়না জষ্টিস দিপার্টমেন্টনা হায়খি।

মসিগী চাওরাকপা মওং অমদি কোল সেন্টরশিংনা রন্নরশিং অদুদা ষ্টোর ভেল্যু রিলোদেবল কার্দশিং লৈশিন্নবা অমসুং য়ুনিক কার্দ নম্বর অদু ইন্দিয়াদা লৈবা কো-কন্সপিরেটরশিংদা থাখিনবা খঙহনখি। ইন্দিয়াদা লৈবা কো-কন্সপিরেটরশিং অদু য়ু এস সিটিজনশিংগী মিসএপ্রোপ্রিয়েট ওইবা পার্সোনেল আইদেন্টিফাইং ইনফোর্মেসন শীজিন্নদুনা কার্দশিং অদু রেজিষ্টার তৌখিবনি।

মদুগী মতুংদা ইন্দিয়াদা লৈবা কো-কন্সপিরেটরশিং অদুনা ভিক্টিমশিং অদুদগী ফংখিবা শেনফমশিং অদু কার্দশিং অদুদা হাপচিনগনি। রন্নরশিং অদুনা মনি ওর্দরশিং লৈনবা ষ্টোর ভেল্যু কার্দশিং শীজিন্নগনি। মনি ওর্দরশিং অদু মখোয়না অতোপ্পা মীওই অমগী বেঙ্ক একাউন্টতা অমুক থমজিনগনি।

# দোনাল্ড ট্রম্পনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫০০ গী চাইনিজ ইম্পোর্ট পূম্নমক্তা তারিফ লৌগনি হায়না ধমকা তৌখ্রে

***ৱাসিংতন, জুলাই ২১ ঃ*** য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চিনাদগী পুশিল্লকপা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫০০ গী পোৎ পূম্নমক্কী মথক্তা তারিফশিং লৌনবা মহাক্লা থৌরাং তৌরে হায়না ঙরাং ফোঙদোকখ্রে অমসুং মদুনা ফাইনান্সিয়েল মার্কেটশিংবু মীপাইনহনখিবা ট্রেদ পোলিসিগী মতাংদা থোক্লিবা মুরুবা হেনগৎহল্লগদ্রা হায়বগী অকিবা পোক্লখ্রে।

ঙরাং ইরাই নুমিত্তা সি এন বি সি টেলিভিজন ব্রোদকাষ্টতা চিনাগা লৈনরিবা ট্রেদ ইনবেলেন্সশিংগী মতাংদা পীবা ইন্টরভিউ অমদা ট্রম্পনা চিনাগী ইম্পোর্ট দোল্লর বিল্লিয়ন ৫০০ গী পোৎতা টেক্স লৌনবা থৌরাং তৌরে হায়খি।

মকোক থোংবা ফেদরেল রিজার্ব ওফিসিয়েল অমনদি ললোন-ঈতিক্কী লান অসিনা য়ু এস কী শেন-থুমগী ফিভমদা শোকহনগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

কুমজা ২০১৭ তা চাওরাক্লা বিল্লিয়ন ৫০৫ গী চিনাগী পোৎশিং য়ু এস তা পুশিল্লকখিবনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৭৬ লোমগী ট্রেদ দিফিসিট তাহনখি হায়না য়ু এস গভর্ণমেন্ট দাটানা উৎলি।

কুমজা ২০১৮ গী অহানবা থা ৫ দা য়ু এস তগী চাইনিজ রিপোর্টশিং দোল্লর বিল্লিয়ন ২০৫ রোমগীনি। মদুদা য়ু এস কী ট্রেদ দিফিসিট দোল্লর বিল্লিয়ন ১৫২ য়ৌখি।

হান্না থা অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৩৪ গী চাইনিজ ইম্পোর্টশিংদা তারিফশিং লৌখি। মদুগী লমন খুমদুনা চিনানসু চপ মান্নবা শেনফমগী য়ু এস কী পোথোকশিংদা টেক্স লৌখি।

হেন্না-হেন্না কনখৎলক্লিবা ললোন-ঈতিক্কী লান অসিনা করিগুম্বা ফৎতবা মওংদা চত্থরক্লবদি মদু য়ু এস ইকোনোমিগীদমক খুদোংথিনিংঙাই অমা ওইগনি হায়না সেন্ট লুইস ফেদরেল রিজার্ব বেঙ্ককী জেমস বুল্লার্দনা হায়খি।

# ফেসবুকনা মশাগী ইন্টর্নেট সেটিলাইট থাগৎকদৌরি

***সান ফ্রান্সিসকো, জুলাই ২১ ঃ*** হৌজিক ফাওবা ইন্টর্নেটকী খুদোংচাবা ফংদ্রিবা মীওই মিল্লিয়ন কয়া শম্নহন্নবা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ফেসবুকনা ২০১৯ গী অঙনবদা মশাগী ওইবা ‘এথেনা’ ইন্টর্নেট সেটিলাইট থাগৎনবগী থবক চথখিরি।

ফেসবুকনা পোইন্ট ভ্যু টেক এল এল সি হায়বা মমিংগী মখাদা য়ু এস ফেদরেল কম্যুনিকেসন কম্মিসন (এফ সি সি) দা এপ্লিকেসন অমা থাখ্রে। ইপ্লিকেসন অদুগী মতূং ইন্না প্রোজেক্ট অদু মালেমগী মফম পূম্নমক্তা ইন্টর্নেট ফংদ্রিবা অমসুং মতীক চানা ফংবা ৱাৎলিবা মফমশিংদা ব্রোদবেন্দ চপ চানা ফংহন্নবগী পান্দমনি হায়না ঙরাং ইরাই নুমিত্তা *ৱায়ার্দ* কী পাউনা হায়রি।

অদুম ওইনমক অনেম্বা আর্থ ওর্বিটতা সেটিলাইটশিংগী খুত্থাংদা ইন্টর্নেট ফংবা হেনগৎহন্নবা পান্দম থম্বসি ফেসবুক মতোমতখক নত্তে। এলোন মস্ককি স্পেস এক্স অমসুং সোফ্টবেঙ্কনা শৌগৎপা ৱান ৱেব হায়বশিং অসি অসিগুম্বা মান্নবা পান্দম থম্বা মরু ওইবা মমিং অনীনি।

ফেসবুকনসু এথেনা হায়বদু মখোয়গী প্রোজেক্টনি হায়বা ফোঙদোকখ্রে।

মালেমগী অকোয়বদা ইন্টর্নেট ফংলিবা মীওই মিল্লিয়ন কয়াবু শম্নহন্নবগী অচৌবা পান্দম অসি ফেসবুকনা মতম কুইনদগী ফোঙদোকচরবসু মখোয়গী মমাঙগী প্রোজেক্ট অনী থোইনা মায় পাকপা ঙমখিদে।

জুন থাদা ফেসবুকনা মালেমগী মনুং হুৎচিনবা মফমশিংদা লৈবা মীওই বিল্লিয়ন ৪ রোমদা ইন্টর্নেট পীনবা পান্দম থম্বা একুইলা কৌবা ৱাংনা পাইবা সোলর পৱার দ্রোনশিং পুথোক্লবা থৌরাং অদু তোক্লবা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

## GAS TODAY

**K & K Indane Service**
Booking : 11/07/18
Valid : 09/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 19/06/18
Valid : 16/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Canchi Service Indane**
Booking : 21/06/18
Valid : 17/06/18
Stk : 612/5kg Available
Rate : Rs. 817
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 29/05/18
Valid : 22/05/18
Stk : 612
Time : 05.30 to 09.00 a.m

**Khongnang Gas Ningthoukhong & Bisnupur**
Booking : 09/07/18
Valid : 07/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : Upto Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 09.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 08/06/18
Sl. No. 9600
Valid : 06/06/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**RBD Indane**
Booking : 26/05/18
Valid : 16/05/18
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m

**সনা-সুদোকু -১২৩৪ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 8 | 4 | 7 | 1 | 3 | 9 | 5 | 6 |
| 7 | 9 | 3 | 5 | 6 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 6 | 1 | 5 | 9 | 4 | 8 | 2 | 3 | 7 |
| 5 | 2 | 9 | 3 | 7 | 6 | 8 | 1 | 4 |
| 8 | 4 | 6 | 1 | 2 | 5 | 3 | 7 | 9 |
| 3 | 7 | 1 | 4 | 8 | 9 | 6 | 2 | 5 |
| 1 | 6 | 7 | 2 | 9 | 4 | 5 | 8 | 3 |
| 4 | 3 | 8 | 6 | 5 | 1 | 7 | 9 | 2 |
| 9 | 5 | 2 | 8 | 3 | 7 | 4 | 6 | 1 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1235**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 1 | | | | | | 8 | 3 |
| 6 | | 3 | | 2 | | | | |
| | | | 3 | | 5 | | 1 | 4 |
| | | | | | 8 | | | 5 |
| 9 | 3 | | | | | | | 6 |
| | | | 5 | | | | | 2 |
| | | 8 | | | | | 3 | |
| | | | 2 | 9 | | | | |
| 4 | | 1 | 8 | 7 | | | | |